# লায়না লাক্তনবা মকোন লু-নান্না থম্বীবা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

শা-ষণ, য়েন-ঙানু য়োকপীরিবা খুদিংমক্না লায়না চেলহন্দনা শেন্দোং লৈনা য়োকপীগে হায়রগদি মখোয়না লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু লূ-নান্না থম্বীবা হায়বসিনি। শা-ষণ, য়েন-ঙানুশিংনা লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু লূ-নান্না থম্লগদি লায়না চেলহন্দনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি।

**মকোন লূ নান্না পায়খৎপা য়াবশিংদি ঃ**

(ক) লৈফম নিংথিনা শেংদোকপীবা

(খ) চপ চানা দ্রেনেজ থম্বীবা

(গ) নিংথিনা মকোন মনুংদা মৈ থানবীবা

(ঘ) নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা

(ঙ) অনাবা লৌহন্দনবা হোৎনবীবা

**ক) মকোন নিংথিনা শেংদোকপীবা ঃ** শা-ষণনা লৈরিবা মকোন্দু লুম্না থম্নবগীদমক চরু শীজিন্নবা য়াই। মসি নুমিৎ খুদিংগী নুংশাদা ফৌদোক্তুনা কংহল্লবা মতুংদা অমুক মকোন্দা থম্বীগনি। মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং পীথক্লবা পাত্র খুদিংমক নুংমিৎ খুদিংগী ঈশিংদা চামথোকপীরগা কংনা নুংশাদা ফৌদোকপীরগা শীজিন্নবীগনি। মকোন মনুংদা লেংদনা লৈরিবা মচিঞ্জাক্কী পাত্র অমদি থক্লবা থল্লিবা ঈশিংগী পাত্র খুদিংমক শেংদোক্লবা মতুংদা অনৌবা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং হাপ্পীগনি। মকোন মনুংদগী শিৎতোক শেংদোক্লবা অমোৎ অকায় পূম্নমক অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ফত্ত হৌদি খুদিংমক মৈ থাদোকপীগনি। করিগুম্বা মকোন্দু লৈবাক ওইরগদি হপ্তা খুদিংগী মরোন অমা লৌথোক্লগা অমুক অনৌবা মরোল অমা হাপ্পীদুনা থম্বীগনি। অতোপ্পা অমনা করিগুম্বা মকোনগী লৈমায়দু উ/ৱানা নৎত্রগা অষ্টর চনবা ওইরগদি নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংনা চামথোকপীগনি।

**খ) দ্রেনেজ নিংথিনা থম্বীবা ঃ** মকোন শাবা মতমদা নিংথিনা নালা চন্দুনা নলারোমদা স্লোপ নাইনা থম্বীদুনা মথি ময়ুং পূম্নমক তাহন্দুনা মপান লোমদা নিংথিনা পুথোকপীগনি। পুথোরক্লিবা মথি ময়ুং অমদি মচিঞ্জাক অরেম্বা পূম্নমক নোংমদা অনীরক মকোন্দগী শেংদোক্তুনা মপানলোমদা পুথোক্তুনা কোম অমা তৌদুনা থাদবীগনি। কোমশিংদু হয়িং মচা কোক্তনবা কুপশিন্দুনা থম্বীগনি।

**গ) মকোন্দা মৈ থানবীবা ঃ** মকোন মনুংদা নিংথিনা মৈ ফংহন্নবা হোৎনবীগনি। মকোনদা নুংশা মঙাল নিংথিনা ফংহল্লগদি লায়না থোরকপা য়াবা মহিক ময়াম অমা নুংশা মঙালনা হাৎপা ঙমহল্লি অমদি মকোনদু লৈনিল কাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। নুমিদাংগী মতমদসু শা-ষণ পূম্নমক নিংথিনা লৈনবা মৈ থানবীগনি।

**ঘ) নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা ঃ** মকোন্দা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না লৈহন্নবা ভেন্টিলেসন নিংথিনা থম্বীগনি। নমথিবা মনম পূম্নমক অশেংবা নুংশিৎনা হুমদোকখিদুনা লায়না শন্দোরকপগী চাং হন্থহল্লি। য়েন মকোন শাবা মতমদসু লৈমায়দগী ফুট ১ গী চাংদা মেনবীরবা তুংদা মথক্না জালি হাপ্লগা শেম্বীরগদি য়েন্থিদা এমোনিয়াগী চাংদা ৱাংবনা নুংশিৎতগী হেন্না লুম্বগা মকোন কা হেন্না ফুনখ্রগদি এমোনিয়াগী গ্যাসসি পাইথোকপা ঙমদে। মসিনা মকোন মনুংদা লৈরিবা য়েনশিংদা মমিৎতগী মপি তারকপা, লোক লৈবগী মওংদা ময়া কাথোক্লগা মখোন থোক্না লোক খুবগী মওং উৎপা উগনি। অসিগুম্বা মতমদুদা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংহল্লগদি মনম পূম্নমক কোকপা ঙমহল্লি।

**ঙ) অনাবা অমগা অমগা লৌনহন্দবা ঃ** অনাবা লৌনহন্দনবা ঐখোয়না দিসইনফেক্টটেন ময়াম অমা শীজিন্নবা য়াই। মসিনা লায়না শন্দোরকপা য়াবা বেক্টরিয়া অমদি পেরাসাইট ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

**দিসইনফেক্টটেন মখল অহুম থোকপা য়াই ঃ**

**(১) নেচরেল ঃ** নেচরেল দিসইনফেক্টটেন হায়রগদি নুমিৎকী মৈশানি। মসি খ্বাইদগী শক্তি লৈবা অমনি। মসিদা ইফিসিএন্সি ওইহল্লিবসিনা নুমিৎতা য়াওরিবা অলত্রা বাইওলেট ৱেবলেঙথ ২৪০০-২৮০০°এ য়াওবগীনি।

**(২) ফিজিকেল ঃ** দিসইনফেক্সন তৌবদা মনিলসিসু খ্বাইদগী ফবা অমনি। মনিলসিসু অচোৎপা ওইরগদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিদসু নত্তনা নুংশিৎ অশাবা, ঈশিং অশাবা, মৈ অমদি মনিলসিসু দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবা য়াই। নুংশিৎ অশাবসিসু দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবসি য়াই কান্নে অদুবু মমল য়াম্না ৱাংই। শা-ষণ লোইবদা শীজিন্নরিবা পাত্র খুদিংমক ঈশিং অশাবদা/অশৌবদা মিনিট ৫ লুপ্পলগা থম্বদা মহিক ময়াম অমা শি। মনিল দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবসিসু মমল য়াম্না ৱাংই। দিসইনফেক্টসন তৌবদা মৈ ওইনা শীজিন্নবসিসু মফমদুদা লৈরল্লিবা বেক্টরিয়া অমদি স্পোর ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি। মসিগীদমক লায়না চেন্দুনা শিখ্রবা শা-ষণ মৈ থাদোপসিনা খ্বাইদগী ফবা দিসইনফেক্টটেননি।

**(২) কেমিকেল দিসইনফেক্টটেন ঃ** দিসইনফেক্টসন তৌবদা কেমিকেলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা এসিদ, অলকালি, পোটাসিয়ম পরমেগনেট, হায়দ্রোজেন পেরাওক্সাইদ, অলকোহোল, ফিনাইল অসিনচিংবা ময়াম অসিনা মহিক্তা য়াওরিবা প্রোটিনগা রিএক্ট তৌরগা মপাঙ্গল হন্থহল্লি।

**মহিক হাৎনবগীদমক মখা পোল্লিবসি ঃ**

- শীজিন্নগদৌরিবা দিসইনফেক্টটেনগী কন্সেত্রেসন

- কেমিকেল শীজিন্নরগা মতম কয়া অমুক থমগদবা

- শীজিন্নবগী মওং

- কেমিকেল সোলুসন শেম্লগা শীজিন্নবগী মতম

- কেমিকেল শীজিন্নদ্রিঙৈদা নিংথিনা মকোন্দু চামথোকহৌদ্রগদি কান্নবা ফংদে।

**গ্যাসিয়স ঃ** মসিদা ঐখোয়না ফোর্মেলডিহাইদ শীজিন্নরগদি মখল খুদিংগী ভেক্টরিয়া অমদি মাগী স্পোর ময়াম অমা হাৎপা ঙম্মী। পোটাসিয়ম পরমেনগনেট অমদি ফোরমলিনসি ২.৩ গী চাংদা শীজিন্নদুনা মকোন্দা কাপথোক্তুনা মহীক চঙহন্দবা ঙমহল্লি। করিগুম্বদা ঐখোয়না ফোরমেলিনগী মনিলশিং শীজিন্নবা তারগদি কা মনুংদা কাপ্লবা তুংদা পুং ২২ থোঙ লোনশিল্লগা থম্বীগনি। মসিদা অকনবা ভেক্টরিয়াগী স্পোর খুদিংমক শিবা ঙমহল্লি। মকোন শেংদোকপদা সোদিয়ম কার্বোনেট (ৱাশিং সোদা) শীজিন্নবা য়াই। মসি চাদা ১ হাপ্লগা শীজিন্নরগদি ভেক্টরিয়া ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি। লৈমায় মোৎপা/স্পোর হাৎনবগীদমক্তা চাদা ২ অমদি চাদা ৩ শীজিন্নবা য়াই। মসি শীজিন্নগদৌরিবা মীদুনা অনোক অমদি মখূৎকী গ্লোব উপ্পনা হেন্না ফৈ। হায়রিবা ৱাশিং সোদাসি মার্কেটতা ইরায় লায়না ফংবতা নত্তনা হু চেলহন্দনা ঈশিংদা লায়না তুমহল্লি। মহীক ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

**মকোন শেংদোকপসিসু মখল অনী থোক্না শেংদোকপা য়াই ঃ**

**লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা অমা ঃ-**

-লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা তারগদি মকোন মনুংদা লৈরিবা পাত্র খুদিং লৌথোক্লগা মপান্দা থম্বীগনি। পাত্র খুদিংমক দিসইনফেক্টটেন্না লুপ্পলগা মতম খরা হন্থবা তুংদা ঈশিংদা চামথোকপীগনি। মকোন মনুংদুদসু ঈশিংনা হান্না চামথোক্লবা তুংদা দিসইনফেক্টটেন হাপ্লগা শেংদোক্লবা তুংদা মতম খরা লৈরগা ঈশিং অচম্বনা অমুক চামথোকপীগনি।

-করিগুম্বা লায়না মায়োক্লখিবা তারগদি মকোনদুদা লৈরিবা চরু/ৱাই অমোৎ-অকায়নচিংবা লেমহৌবা মচিঞ্জাক খুদিংমক মৈ থাদোকপা নৎত্রগা ফুম্বীয়ু। ফক্লাং অমদি লৈমায়সু ৱাশিং শোদা শীজিন্নদুনা শেংদোকপীয়ু। অনৌবা চরু/ৱাই হাপত্রিঙৈদা পোলিথিন শিদ অপাকপা অমা থাবীদুনা অনৌবা চরু/ৱাইশিংদু হাপ্পীগনি। মকোন মমাঙদা খোঙউপ উপ্পলগা চৎনবা দিসইনফেক্টটেন য়াওরবা মহীদু মকোনগী চঙফমদা থম্বীদুনা চঙবা মতমদা নেৎলগা চঙলগদি মহিক চঙলকপগী চাং হন্থহল্লি।

অসুম্না লায়না তীলনা চঙহন্দনা মকোন নিংথিনা লূ নান্না থম্লগদি লায়না লাকপগী চাং য়াম্না নেম্বদা নত্তনা হেন্না শাহৌ ফদুনা অমদি হেন্না পোত্থোক পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবা ঙমহল্লি। ●

# ঙাগী ঙাথোক হেনগৎনবা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং খরা

ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ

ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহন্নবগীদমক পায়খৎপীগদবা চেকশিন থৌরাং খরা থমজগে।

১) ঙা য়োক্কদৌরিবা মফম খনবা হায়বদি ঙা য়োক্কদৌরিবা মফম অদু ফোলি ওইবা লৈবাক অমদি লৈহাও লৈবা মফম ওইগদবনি। চহী চূপ্পা ঈশিং ফংবা মফম অমদি মিটর অনীদগী হেন্না লুদবা পূখ্রি ওইগদবনি।

**২) পূখ্রি শেম্বা :-** (ক) পূখ্রিশিংদুগী অকোয়বদা লৈপল থোনগৎতুনা শেম্বীগদবনি। হায়বদি পূখ্রিশিং অদু অকোয়বগী লৈমায়দগী ৱাংখৎহন্দুনা শেমগদবনি।

(খ) পূখ্রি মনুংদা ফত্ত-হৌদিগী মরোল থানা লৈহল্লোইদবনি।

(গ) পূখ্রি অদু নুংশা নিংথিনা ফংহনগদবনি।

(ঘ) ঈশিংদা হৌবা নাপীশিং শেংদোকপীগদবনি।

(ঙ) হান্না লৈরম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙামু, পোরোমগুম্বা ঙাশিং লৈহল্লোইদবনি। মসিগীদমক ঈশিং কংহনবা নৎত্রগা ব্লিচিং পাউদর কিলোগ্রাম ৩৫০ পরি অমদা শীজিন্নবা য়াই।

(চ) করিগুম্বা পূখ্রিশিং অদু কংহনবগী খুদোংচাবা লৈরবদি নুমিৎ ৭নিদগী ১০নি ফাওবা কংহন্দুনা থম্বীরবদি অসুক্কী মতিক কান্নগনি। পূখ্রিগী লৈমায় অদু লৈক্রক চৎপা ফাওবা কংহনগদবনি। হায়বদি ঐখোয়না পূখ্রিগী লৈমায়দা নেৎপা মতমদা খোঙপাক্কী মমি কুৎথদবা ফাওবা কংহনগদবনি।

(ছ) মসিগী মথংদা পূখ্রিগী লৈমায় অদু খোইদোকপীদুনা হু চেনবা নুংশিৎশিং পাইথোকহনখিবগা লোয়ননা লৈহাও লৈবা মফম অমা ওইহনবীগদবনি।

**৩) শুনু চাইবা** - চহী অমদা শুনু কিলোগ্রাম ২০০দগী ৫০০ ফাওবা পরি অমদা চাইবীগদবনি। শুনুগী মখল কয়া লৈরি অদুবু পূখ্রি শেম্বা মতম হায়বদি ঙা থাদদ্রিঙৈদগী ক্বিক লাইম হায়রিবা শুনু মখল অসি শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ অদুবু ঙা থাদরবা মতমদদি এগ্রিকলচরেল লাইম হায়রিবা শুনু মখল নৎত্রগা Dolomite La Mg $(CO_3)$ মখলশিং অসি শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা শুনুগী চাং অসিদি ক্বিক লাইমগীনি, অকোনবগী শুনু মখলশিং অসি শীজিন্নবা তারবদি কিলোগ্রাম ১০০০-২০০০ ওইগদবনি।

**৪) হার চাইবা** - ক) শুনু চাইরবা মতুং নুমিৎ ৭নিদগী ৮নি লৈরগা হার চাইবগী থবক তৌবা য়ারে।

খ) মতম খরা খরা কান্নরগা পূন্না পরিগী চাংদা ষন্থি কিলোগ্রাম ১০,০০০-১৫,০০০, য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ২৫০, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলোগ্রাম ৩৫০ চহী অমদা হাপ্পীগদবনি।

গ) মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অপূনবা হারগী শরুক মরি থোকপগী অমদি ঙা থাদদ্রিঙৈদা হাপ্পীগদবনি অদুগা লেমহৌরিবা হারশিং অদু চয়োল অমা নৎত্রগা অনী-অনী কান্ননা চাং মান্ননা হাপ্পীগদবনি।

**৫) ঙা মচা পূখ্রিদা থাদবা** - ঙা মচাশিং থাদদ্রিঙৈদা পূখ্রি অদুগী ঈশিংশিং অফ-ফত্ত য়েংহৌগদবনি। মসি য়েংনবগী অরাইবা থৌওংদি পাত্র অমদা পূখ্রিদুদগী ঈশিং খরা হাপ্লগা ঙা মচা খরা পুং ২৪ চূপ্না থমগদবনি, মদুদা ঙানা মশা ফনা হিংবা ঙম্লবদি পূখ্রিদুদা ঙা মচাশিং থাদবা য়ারে।

- ঙা থাদবা মতমদি অয়ূক নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরম ওইগদবনি। নুংশা শাবা, অকনবা নুংশিৎ শিৎপা মতমদা থাদরোইদবনি।

- ঙা থাদদ্রিঙৈদা ঙা মচা পুরিবা পাত্র/চেরং খাও অদুগী ঈশিংগা ঙা থাদগদৌরিবা পূখ্রি অদুগী ঈশিংগা অঙৗং-অশাগী চাং মান্ননবা ঙা মচা পুরিবা পাত্র অদু পূখ্রিদুদা মিনট ১০-২০ তাওহন্দুনা থম্বীগদবনি।

**৬) ঙাগী মচিঞ্জাক থাবা :-** পূখ্রি অদুদা লৈরিবা অপূনবা ঙাগী অরূম্বগী চাদা অহুম নোংমগী মচিঞ্জাক ওইনা পীজগদবনি।

**৭) ফিশ দেমপ্লিং :** থা খুদিংগী চাং নাইনা ঈল খোন্দুনা ঙাশিং অসি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু য়েংদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাশিং অদুদা করি করি লায়না-তীলনা য়াওরকপগে অমদি য়াওফম থোকপা চাংদা চাওরিব্রা হায়দুনা য়েংশিনবীগদবনি।

**৮) ঙা ফাবা** - খুদোংচাবগী মতুংইন্না ঙাশিং অদু থা ১০দগী চহী ১ ফাওবগী মনুংদা ফাবা য়াই। চাং নাইনা অচৌবা ঙাশিং ফাদোক্তুনা অতৈ অপীকপা ঙাশিংদু চাউখৎহন্নবগী মফম ফংহনগদবনি।

লমদম অসিদা মরু ওইনা য়োক্লরিবা ঙা মখলশিং অসি মরু ওইনা কার্পস হায়বদি রৌ, মৃগল, কটলা (আই এম সী) অমদি সিলভর কার্প, নাপী চাবী অমদি পুকলাওবী (Exotic carps) মখলশিং অসিনি অদুবু হৌজিক্তি তুংহনবী, উকাবীগুম্বা কয়াসু ফজনা য়োক্লরে।

রৌ, কটলা, মৃগল অসি ইন্দিয়াদা হান্নদগী লৈজরক্লবা ঙা মখলশিংনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়শিং অসিদি অঙৗংবা মফমদা লৈবা হৈনদবা মরম্না লমদম অসিদা য়োকপা মতমদা চাওজল থীবা অমদি লায়না-তীলনা কয়া নারকপগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। তৌইগুম্বসুং exotic carps হায়বদি নাপী চাবী, সিলভর কার্প অমদি পুকলাওবী হায়রিবা ঙাশিং অসিদি অঙৗংবা মফমদা হৈনবা অমদি লায়না-তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকচবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই খরমখৈ য়াওবা মরম্না মখোয়শিং অসি য়োকপনা খরমখৈদি ফগনি। অদুবু পুকলাওবী অসি লমদম অসিদা পুশিল্লকখিবা ঙা খরা খক্তদগী অসুম অসুম শন্দোরকখিবা ওইবনা ইনব্রিদিং দিপ্রেসননা মরম ওইদুনা চাওজল থীবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মরম অদুনা অফবা মখলগী পুকলাওবী হায়বদি অমুর কার্প ওইনা য়োকপীবা, অতোপ্পা ঙাশিং হায়রগনা Jayanti Rohu, GIFT Tilapia অসিনচিংবা ঙা মখলশিং অসি য়োকপীরবদি ঙাগী পোত্থোক খরমখৈদি হেনগৎপা ঙমগনি। তুংহনবী হায়রিবা ঙা মখল অসিসু মরূম য়াম্না তোয়না কোকপা ঙা মখল অমা ওইবা মরম্না মশা চাউখৎপদা চংগদৌবা ইনর্জিশিং অদু মরূম কোকপদা শীজিন্নথোকখিবনা মরম ওইদুনা চাউজল থীগনি। মরম অদুনা sterile ওইবা নৎত্রগা monobex ওইনা য়োকপনা হেন্না কান্নগনি। তুংহনবী অসি অমোমদগীসু লাবনা হেন্না চাওগনবা মরম্না লাবা ঙাক্তা য়োকপনসু অমুক্না হেন্না কান্নগনি। কটলাগী ওইরগনা G. I. Catla হায়বদি Genetically Improved Catla অসি ওইনা য়োকপীবনা হেন্না কান্নগনি।

অনৌবা মখলগী ঙা য়োকপগী থৌওংশিং হায়রগদি (1) Recirculatory Aquaculture System ময়াম্না আর এ এস হায়রগা খঙনবা অসি fully controlled ওইবা থৌওং অমনি। মসি অপীকপা মফম অমদা ঙা মশীং য়াম্না য়োক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা অসুক্কী মতিক কান্নগনি।

অতোপ্পা থৌওংশিং হায়রগদি - Aquaponics, Hydroponics অমদি হৌজিক য়াম্না তৌনরক্লিবা বাইওফ্লোক টেক্নোলোজিনচিংবা থৌওংশিং অসিদি মফম মতমগী মতুংইন্না কান্নবা অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে অদুবু ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদদি অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্লোই।

পনবা য়াবা টেক্নোলোজি খরা অমুক হায়রবদা কেজ কলচর, পেন কলচরনচিংবা থৌওংশিং অসিসু ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা থৌদাং খরদি লৌবা ঙমগনি।

মসিদসু নত্তনা species diversification হায়বদি লমদম অসিদা চানবা পোত্থোক লৈবা ঙা মখলশিং য়োক্লবসু লমদম অসিগী ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। ●

# ইমাগী ইবুংঙো চদুম ইল্লগে লানফমদগী হল্লক্লো

## (শেলনা নেকপা লুংগি শেৎপা খূনেক লাম্মীশিং অমসুং শেলনা থেম্বা কুকিশিং ৱাখল তারক্লে, লান পামদ্রে হায়রক্লগনি)

সৌবাম বিরধ্বজ

য়েলহৌঙৈ (চৈথারোল কুম্বাবা মতমদগী লৈরকপা নৎত্রবসু) চুড়াচান্দ মহারাজ (১৮৯১-১৯৪১) গী মতমদগী কুকিশিংগা সুম লৈমিন্নখিবনা য়েলহৌঙৈ কুকি ওইরবা কুকি লুচিংবশিংনা চীংগী শরুক্তা নাগাশিংগা লমগী ৱাথোক-লাম্থোক কয়া তোইনা থোরকখি। কুমজা ১৯৯২দা নাগা অমসুং কুকি অনীগী মরক্তা অকনবা খূৎ থোক্লরকখি, কুকিশিংনা চাউনা মাঙজখি। মতমদুদগী কুকি লুচিংবশিংনা কুকি কাঙলূপ ১৩ (হান্নদি কুকি কাঙলূপ ৫০ লৈরম্মী হায়নৈ) পুনশিল্লগা অপূনবা অকনবা শক্তি অমা শাগৎনবা হোৎনরকখিবনি। কাঙলূপশিং অদুদি আইমোল, চিরু, চোথে, গাংতে, মার, কোম, পাইতে, পুরুম, রালতে, সিমতে, সুকতে, থুদোন/থাদৌ, পোই হায়রিবা কুকি কাঙলূপ ১৩ অসিনি। নাকল অমরোমদনা মণিপুরগী নাগা কাঙলূপশিংনা অনাল, চিরু, চোথে, ইনপুল, খারম/পুরুম, লুমকাং, মাও, মরাম, মরিং, মোন্সাং, পাওমাই, রোংমৈ, তাঙ্খুল, তরাও, জেমি (নাগালেন্দ/অরুনাচল/মণিপুর) পূম্নমক্তা খুন্দাই। কুকি অমসুং নাগা কাঙলূপ অনীমক্তা য়াওবা কাঙলূপ খরদি য়ানশিন্নে (কাঙলূপশিং অদুনা অনীমক্তা য়াওদে, মখোয়গী কাঙলূপতি তোঙান্না লৈজে) হায়না পাউচেশিংদা শেংদোকপসু থেংনজখি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৯০দা কুকি অমসুং নাগাগী মরক্তা খূৎ থোক্নরকখি মদুদা নাকল অনীমক্কী মীওই ১০০গী পুন্সি লোমখি। অমুক্কসু হন্না কুকিশিংনা কুমজা ১৯৯২দা নাগাশিংদা লান্দাবা হৌরকখি। লান অদুদা নাগাশিংনা শাথীনা লাকচখি। মতমদুদগী কুকি লুচিংবশিংনা অচেৎপা ফিরেপ লৌরকখিবনি। কুকি লুচিংবশিংনা করম্না মখোয়গী কুকি কাঙলূপকী মপাঙ্গল শাগৎকদগে, লোয়ননা নাগা অমসুং কুকি অনীমক্তা য়াওরিবা কাঙলূপ খরা কুকি কম্যুনিতিগী কাঙলূপ্তা চিংশিনগদগে হায়বসিদা কোক য়াম্না ৱাংনা থাধরমগনি। কুকিশিংনা খুন্দারিবা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, সদর হিলস মশাংনচিংবা মফমশিংগা নাগাগী মফমশিংগা থংনরিবশিংদা খুন্দারিবা কম্যুনিতি কাঙলূপশিং অসি কুকি কম্যুনিতিগী কাঙলূপনি হায়বগী প্রোপেগন্দা অমা শন্দোক্তুনা কম্যুনিতি খরা কুকি কাঙলূপ্তা চনখি। মদুদা পাইতেশিংনা মখোয়দি পাইতে ওইনা লৈজগে হায়রকপনা মরম ওইরগা চুড়াচান্দপুরদা পাইতে কম্যুনিতিগী মথক্তা কুমজা ১৯৯৭কী জুন ২৪দা খূৎ থাবা হৌরকখি। অকনবা খূৎ থোক্নরকখিবা অদুদা নাকল অনীমক্কী মমল য়াম্লবা মীওই ৩৫২গী পুন্সি লোমখি, কয়া অমনা অশোক অপন নংখি, য়ূম কয়া উৎ ওনখি। মতমদুদা চুড়াচান্দপুরগী লমকা বজার অসি অয়াম্বা শরুক্তা পাইতেশিংনা দোমিনেট তৌরিবনি, লোয়ননা পাইতে হায়রিবা লোন অসি 'লোনফাওলোন' ওইরিবনি। লান অদু নুমিৎ ১৪ শুরকপা চহীদুগী জুলাই ৮দা খূৎ থানবা লেপখি, লোয়ননা জুলাই ১৮দা য়ান-ৱারোল অমা ইনদুনা নাকল অনীমক্না খূৎয়েক পীনখি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৩দা কুকি কম্যুনিতিনা মখোয়গী 'কুকি হোমলেন্দগী মঙলান' ফংননবগী আশাদা অসামগী য়েলহৌমী কার্বি আংলোং মচা খরা হাৎতুনা মখোয়গী ওটোনোমি তানবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখি। কুমজা ২০০৪ দা কে আর এনা নোংমতদা কার্বি মচা ৩৯ হাৎখি। মমৈথংদা অসাম লৈঙাক্লা কুকি পূম্নমক তাম্থোরকখি। মতুংদা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা রিফ্যুজি ওইনা খুন্দারক্তুনা পোপি থাবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলকখি। মখোয়গী পোপি থাবগী থবক থৌরমশিং খুমাঙ য়াম্না চাওখৎলকখি, লম একর ১৫,৫০০ রোমগী শরুক পাক চাউনা পোপি থাবগী থবক চখরকখি। মদুদগী ফংলকপা শেনফমশিংনা অফবা খূৎশু-খূৎলায় কয়ামরুম লৈশিনখি। কুকি লুচিংবশিং অমসুং পোপিদগী ফংলকপা শেনফমশিংনা কুকিশিংনা খুন্দারিবা চীংনুং মানুংগী মফম পূম্নমক ফাওননবা লম্বী শেমজিন্দুনা খুলশিং অমগা অমগা শম্নহল্লিবসিনি। বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদা মখোয়গী হোমলেন্দ ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনখি অদুবু লৈবাকশিংদুনা মখোয়বু কয়ারক হন্না তকথোরকখিবনি। মমৈথংদা মখোয়না ম্যান্মারগী তাম্থোরকপা মশীং য়াম্লবা লালহৌবশিং মখোয়গী পোপিদগী ফংলকপা শেনফমশিংনা মমিৎ-মমায় থকহন্দুনা মণিপুরদা পুশিল্লকখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী মণিপুরগী জেনরেল ইলেক্সনদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা শেনয়াম চাউনা থাধদুনা বি জে পিগী কেন্দিদেটশিংগী মতেং পাংখি হায়নখি। হৌখিবা চহী ২০১৮গী পার্লিয়ামেন্টকী মীখলদসু কুকিশিংনা অঙম্বা মতেং পাংখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২২গী মণিপুরগী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ওইননবা য়াম্না চাউনা মতেং পাংখিবনি হায়নখি। অসুম্না কুকি লিদরশিংনা পোলিটিক্স শান্নদুনা 'সূ' অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হন্দোকপা ঙমদ্রিবনি হায়নরক্লি। লাক্লিবা কুমজা ২০২৪গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদসু বি জে পিদা য়াম্না চাউনা শেন্থুং পাংলবা য়াই হায়না থাজনরিবনি। মরম অদুনা হৌজিক্কী থোক্লিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি লোইশিন্দ্রিবনি। লোয়ননা পোপি লোকপগী মতম ঙাইরিবনি হায়না নিনফুং নিনফুং ঙাঙনরিবসিনি।

হোম মিনিষ্টরনা চহী লিশীং অনী হেনবগী পুৱারী লৈরবা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈ কম্যুনিতিগী মরমদা তপ্পা তপ্পা খঙলকপগা লোয়ননা দবল ইঞ্জিন লৈঙাক অসিবুসু হিংননবা অমসুং লোক সভাগী ইলেক্সন্দসু মায় পাক্লনবা কুকিশিংগী পোপি লোকপগী মতম ঙাইবসু ওইরমগদ্রা কনানা খঙবা নত্তে। মতম শাংনা পোপি থাদুনা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় কয়ামরুম লৈশিল্লবা তুংদা তম্পাক্তা লেপ্তুনা বোম য়াওনা লান্দারক্লিবসিনি। অসিগুম্বা অকনবা লান্দা অসিদা মীতৈ খুল ঙাক্লিবশিংনা অঙকপা ফংনা ঙমখৈদা শীংনরক্তুনা 'ঙমখৈ মুন্নবগী লান্দা চথরক্লিবা' কুকশিংগা থৱায় পাম্মুদনা লান ঙাক্লি/লাম্থেংনরি, নাকল অনীমক্কী মায়কৈদা মীশি মীনা কয়ামরুম থোক্লিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০২২দা কুকি কম্যুনিতিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা লিদরশিং খনখ্রে। (১) তোঙমাং হাওকিপনা চ্যেরমেন (২) ৱিলসন এল হাঙশিংনা জেনরেল সেক্রেটরি। ফাউন্দরশিং :- মথক্কী মীওই অনীসিনি হায়না পল্লি। মখোয়গী সিম্বোল - কিহোমনি হায়না হৌখিবা কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী ১২দা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা ফোঙখ্রে। হায়রিবা কুকি কম্যুনিতিগী লুচিংবা অনী অসিগী মখাদা মশীং য়াম্লবা ম্যান্মারদগী তকথোক্লকপা লুংগি শেৎপা মিলিটেন্টশিং মণিপুরদা পুশিল্লকখিবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়নরি।

লিদর অনী অসিগী লুচিং মখাদা ম্যান্মারগী লুংগি শেৎপা মশীং য়াম্লবা মিলিটেন্ট কয়ামরুম শেলগী লাং থাক্তুনা মণিপুরদা লৈননবা শিনগনি, চীংকোঙ চীংয়াদা খুন্দারিবা মীতৈশিংগী লম তকথোক্লগা নৌনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈহনগনি হায়দুনা থাজবা পীরমগনি। লোয়ননা কুকি কম্যুনিতি পূম্নমক্কী লুচিংবশিংদা শেল অমসুং অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায়গী শক্তিনা মীতৈ কম্যুনিতিগী মথক্তা লান্দাদুনা কুকি কম্যুনিতিগী লম পাকথোক চাউথোক্লবা লাল্লোং কয়া খন্নদুনা মতেং পাংননবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মাঙজৌননা তম্পাক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিং খুদিংমক ছুটি লৌহনখিবনি অমসুং ইম্ফালদগী ময়ূম হোংনখিবনি। মদুগী মরমদি মীতৈশিংনা এস টি দিমান্দ তৌরিবসি থিংদুনা চীংমীশিংগী 'কম নাও লেট অজ রিজন টুগেদর' হায়বা বেন্নর মখাদা ঈহৌ শাগৎতুনা হৌখিবা মে ৩দগী ত্রাইবেল সোলিদরিটি খোঙচৎ চৎখিবনি। নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৩দগী চুড়াচান্দপুরগা তাইনবা তোর্বুংদা কুকিশিংনা য়ূম মৈ থাবা হৌরকখিবগা লোয়ননা কাংপোকপী অমসুং চান্দেলদসু চপ মান্নবা পুংফমদা মীতৈশিংগী য়ূম মৈ থাবা হৌরকখিবনি। অসুম্না নুমিৎতুদগী মীতৈশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদা লেপ্তুনা লান্দারক্লি, মীতৈশিংনসু য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মশাগী মরমদম কন্ননবা লান ঙাক্লি।

হৌজিক্তি লান অসি থাবুম মরি মপূং ফাখ্রে। ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা লান অসি লাকশিনবা ঙমদ্রে। চহীসিগী হৌখিবা ওগষ্ট ২৯দা মণিপুরগী এসেমব্লি ফম্বা নুমিৎকী অয়ূক অঙনবদগী কুকিশিংনা নোংমৈ অমসুং বোমগী লান্দা চথরকপনা নুমিৎ ৫নি শুরক্লে। নাকল অনীমক্কী মমল য়াম্লবা পুন্সি কয়া পিখম্নখ্রে, লান্দি লোইবা নাইদ্রে। চীংমীশিংনা তম্পাক্কী মীয়ামদগী অৱাবগী চৈথেং য়াম্না হেল্লিবনি। চাননবা চেঙ, থাও, থুম, ফিরোল, শেল লৈত্রে করিসু লৈত্রে, শেল পীয়ু হায়রক্লে। শেলদি ইন্দিয়াগী লুচিংবশিং অমসুং লাম্মীশিংদা (লানগী ষ্ট্রেটেজি ওইনা) পীবদা, পোপিদগী লাকপা শেল লোইখ্রে। কুকি প্রজাশিং পীনীংঙাই শেল অমসুং চাননবা লৈরত্তুদুনা শাওনরক্লে। ঙম্লোইদৌবা লান করিগী হৌরুরি। লান লেপ্পু হায়রক্লগনি। শেল পীদুনা নেক্লবা লুংগি শেৎপা ম্যান্মারগী মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংগী মথৌনা নোংম-নোংমগী খঙলক্লে (মরমদম ওইবনিনা লম্মিৎ তুমিৎ খঙবা হেনবা) মরৈবাক্কীদমক থৱায় পাম্মুদনা থেংনবসিদা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় বোম, স্নাইপর পায়দুনসু লাকশিনবা ঙমদ্রে। কুকিশিংনা হান্না লান্দারুরগা মীতৈনা খূৎ হল্লকপদা খূৎলায় পুদুনা কায়দুনা চেল্লে, মীতৈশিংগী লমদমদা লাম্থেংনবা কিরক্লে। শেলনা নেকপা খুনেক্কী কুকি মিলিটেন্টশিংনি। লোইজিং লোয়া লৌশিল্লগা খুন্দাগনি খল্লুবদুসু কিরক্লে/লৈনীংদ্রে। লাম্থেংনবা তোক্লগে, শিবা শোকপা পামদ্রে। মীতৈ অথৌবা/খুল ঙাকপশিং, থৱায় পাম্মুদনা লান থেংনরিবা, মমা ওইবী পূম্নমক্লা মনম নমদুনা নোক্লা নোক্লা থাদোরকপা (মীতৈ হিরো) শিংগা করম্না লম্বা পারুগনি! ইন্দিয়াগী লাম্মীশিংদা শেল পীবা লেপ্পা নুমিত্তা মখোয়গী মতেং পাংলরোই তূমিন্না লৈখ্রনি। "ইমাগী ইবুংঙো চদুম ইল্লগে লানফমদগী হল্লক্লো' হায়না মমা ওইবী পূম্নমক্লা নোক্লা নোক্লা লানফমদা মনম নমদুনা থাজিনখিবনি। খ্বাংদা খ্বাংচেৎ লাক্লদুনা (কুকিগী মীচংদা লৈবা) ইন্দিয়াগী লাম্মীশিংবু ঙাক্লবনি মচাশিংগী তুংদা লুম্ফু তৌবা ঙমদনবা। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩**

১) **"মিৎয়েংগী ৱাংমদা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) **"ৱাশক্লে ইমা নঙগীদমক/ঐখোয়নি অনৌবা যুগকী থোঙশঙবা/শঙগনি ভারতকী মালেম/অমত্তা ওইনা তিন্ননা/"** পীজরিবা ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? মহাক্কী লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) **"কামায়নী"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **"পিরাংনা চৈহৌই ঐবু"** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিকনি। অইবা অসি কনানো?

৫) **"ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী"** হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।